কাদানা ৱাবগাই লমখাই অমসুং তেরা উরক্তগী মশীং য়াম্লবা য়ু ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরূ ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লখিবা দ্রাইভ অমসুং এৱ্যেরনেস কেম্প্যেনগী মনুং চন্না থা অসিগী ১গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাবগাই কৈথেল অমসুং ৱাবগাই তেরা উরক্তা দ্রাইভ চত্থবদা য়ু য়োনবা মীওইশিংদগী য়ু লিটর ২৯৫ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

কাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা চত্থখিবা অখন্নবা দ্রাইভ অদুদা ৱাবগাই লমখাই তেরা উরক বজারদগী তোঙান তোঙানবা মীওই ৩দগী য়ু লিটর ২০, ৫০ অমসুং ১৫ ফাগৎপা ঙমখি। লোয়ননা ৱাবগাই তেরা উরক্তা চত্থখিবা দ্রাইভতা মীওই অনীদগী য়ুঙৌ লিটর ২১০ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা অমদি থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ৱাবগাই তেরা উরক্তা চত্থখিবা দ্রাইভ অদুদা য়াম্লবা য়ুঙৌ কয়া পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটরগুম্না লৈরম্বা থেংনখি। মসি কনাগুম্বা মীওই খৃৎপু অমনা মেনুফেক্টচরিং তৌদুনা চাউনা ললোনবগী মমি তাই হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি লমদম অসি মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোক্লবসু মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংলি। লমদম অসি মপূ পান্দবগুম অমদি লো লৈতবগুম তৌনীং তৌনীংবতা তৌদুনা লৈবদা লৈঙাক অসিনা য়েংদুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিগী নহারোল কয়ানা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈরিবা কয়া অসিবু কঞ্জনবা লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোল কয়াবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কঞ্জনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মহুত্তা হান্নদগী য়ু অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা ইরাক্লরিবা মীয়াম অসিবু অমুক্তা হন্না ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইরোলনুংদা লুপখিনবা থৌওং কয়া চত্থরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ৱার ওন দ্রগস হায়বা মীয়ামদা উৎ চাইবা, অপংবা শীবা ৱাহন্থোক লৈতবা মীকুপ খরগী থৌশিল অসিনা লৈঙাক অসিগী পুকচেল শেংদবা অদু উৎথোকচরে হায়না ময়েক শেংনা তাক্লে হায়রি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা নোংজু মীফমদা য়ু লিগেলাইজগী ৱাফম হাওসতা পুথোকখিবা অসিনি হায়না মরাল শিরক্লি। হৌজিক লমদম অসিগী মফম খুদিংদা দ্রগ ললোনবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা ৱাদনা শেল তান্নীংবা খুন্নাই অসিগী মীরোল তুম্না মুখৎপা ঙম্বা মীওইশিং লোগী ওইবা চৈরাক পীনবা ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট লীংখৎলি। অদুবু ঙসি ফাওবা মরাল লৈবা মীওই অমত্তা চৈরাক পীখিবগী পাউ তাখিদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মসিনা তাকপদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অহোইনদুম খুন্নাই অসিগী কাঙখুল মুখৎনবা হোৎনরব্রা হায়বসি হংফম থোকপনি। লমদম অসিগী মীয়াম্না তুংগী মীরোল কঞ্জনবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা শিবা চঙবা খঙদনা অকনবা ঈহৌ অমা লাক্ত্রিঙৈদা খুন্নাই মীয়াম অসিবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কঞ্জনবা ষ্টেট দ্রগ পোলিসি অমা অথুবা মতমদা শেমফম থোকই হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লিলোংদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): জে এ সী এগেনষ্ট দি মোব লিঞ্চিং ওফ এম দি ফরুক খান এলাইজ ফুরকান ওফ লিলোং হাওরৈবি ময়ায় লৈকায় এট থরোইজম ওন সেপ্টেম্বর ১৩, ২০১৮, লমশাং এ সীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩দা থরোইজম অৱাং লৈকায়দা মোব লিঞ্চিংদা মহম্মদ ফরুক খান এলাইজ ফুরকান হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা লিলোং এ সীগী মনুং চনবা হাওরৈবি ময়ায় লৈকায় ঙাঙৌ কৈথেলদগী মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা মাস রেল্লি অমা চৎলগা লিলোং কৈথেলদা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চঙশিন্দুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জে এ সী অসিগী কনভেনর এম এ জবরনা ফরুক মীহাৎকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা লৌখিবা ফিরেপ্পু শিংথাদুনা মণিপুর মোব ভাইওলেন্স কন্ট্রোল এন্দ প্রোহিবিসন বিল কেবিনেটনা পাস তৌখিবা অসিনা মণিপুরদা অদুগুম্বা পামদবা থৌদোক থোকপগী খুদোংথিবা খরদি হন্থরগনি হায়না থাজবা লৈরে অমদি বিল অসি এক্ট ওইনা চৎনহন্নবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনখি।

লোক্তাক প্রোজেক্ট য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়দ্রো পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদকী দিরেক্টর (পার্সনেল) নিটিশ কুমার জেননা লোক্তাক পৱার ষ্টেসন হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯দগী ঙসি ফাওবা মফম অসিদা লৈদুনা য়েংশিনখ্রে। নিটিশ কুমার জেনবু লোক্তাক পৱর ষ্টেসনগী চীফ এঞ্জিনিয়র কে টি রাজা পান্দিয়ান্না লুচিংবা এমপ্লোয়ীশিংনা তরাম্না ওকখি।

মহাক্না লোক্তাক পৱার ষ্টেসনগী মরুওইবা কম্পোনেন্ট অমসুং ইন্সটোলেসনশিং ওইরিবা লৈমতাক অমসুং ইথাই বরাজ অমদি পৱার ষ্টেসন অসিগী ৱাটর কন্দক্টিং সিষ্টেম্নচিংবা য়েংশিনখি। সী এস আর অমসুং এস টিগী থবক থৌরম কয়াসু মহাক্না মখা তানা য়েংশিনখি। লোয়ননা লোকল এদমিনিষ্ট্রেসনগসু ৱারী শানদুনা এমপ্লোয়ীশিং অমদি পৱার ষ্টেসন অসিনা কোনবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদসু য়েংশিনখি।

মহাক্না চিলড্রেন পার্ক অমা শানবা উরেপ উয়ুং তমখিবগা লোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল কমপ্লেক্সতা উচারাশিং থাখি। থৌরম অদুদা পৱর ষ্টেসন অসিগী চীফ এঞ্জিনিয়র (ঈ) কে টি রাজা পান্দিয়ান অমসুং এমপ্লোয়ীশিংনা শরুক য়াখি। পৱার ষ্টেসন অসিনা থবক কয়া পাঙথোকখিবা অদুবু শিংথারদুনা পৱার ষ্টেসন অসিগী টিম্না লৌরিবা থৌদাং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেন্দর ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্তুনা থম্বা অমদি মরু ওইবা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্লা পাঙথোকখিবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না এন ঐচ পি সী লিমিটেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

লম-তু শিৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফালনা শীন্দুনা স্বাছতা হি সেবা অমসুং সেকেন্দ ওক্টোবর ২০১৮ থৌরমগা মরী লৈননা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী অকোয়ববু এমপ্লোয়ীশিংনা শিং শেংদুনা লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টরসু ওইখিবা এল কিশ্বরজিৎনা হায়খি, স্বাছতা হি সেবা অমসুং গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন চহী ১ চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মনুং চন্না ঙসি লম-তু নান্না শিৎ শেংবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ষ্টেট কলা একাদেমিগী এমপ্লোয়ীশিংনা লূ-নানহন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাত্ম গান্ধীগী ৱাখল্লোন অমদি ফিলোজোফি অসি এমপ্লোয়ীশিংনা তমজনীংঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অহলশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিস বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ঙরাং কুম্বী তেরা খোং লম্বীদা লৈবা ওল্ড এজ হোমগী শান্তি আশ্রমদা ইন্টরনেসনল দে ওফ ওল্ডর পার্সনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের বিষ্ণুপুর এন জোটিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা অহল ওইরবা মীওই ১৫০দা কম্বল অমমম খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসি ইন্টরনেসনল দে ওফ ওল্ডর পার্সন ২০১৮গী সেলেব্রেটিং ওল্ডর হ্যুমেন রাইটস চেম্পিয়ন হায়বা থিমদা পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা চত্থখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ওইনাম এ সীগী এম এল এ এল রাধাকিশ্বরনা চীফ গেষ্ট, কুম্বী এ সীগী এম এল এ এস বিরনা প্রসিদেন্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী পৱন যাদব অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর বিষ্ণুপুর জোটিসনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর অমদি দি এস ও দল্লিয় বিষ্ণুপুরনা শান্তি আশ্রমদা সিলিং ফেন ৫সু খৃৎশিন্নখি।

অমরোমদা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল আর আই দিষ্ট্রিক্ট ৩২৪০গা খুরাই তিনসিদ রোদতা লৈবা পাইওনর হেলথ ক্লবকা পূন্না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ওফ ওল্ডর পার্সন ঙরাং নোংপোক ককচীংগী লাইচীংদা লৈবা ওল্ড এজ রেসিদেন্সিএল হোমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

সেলেব্রেটিং হ্যুমেন রাইটস চেম্পিয়ন হায়বা থিমদা পাঙথোক-খিবা থৌরম অদুদা রোটরিয়ন প্রোফেসর সুধিরঞ্জন থিংবাইজম প্রসিদেন্ট রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল, ডা. খাগোকপম মোধুমঙ্গল মেম্বর পাইওনর হেলথ ক্লব মণিপুর অমসুং ডা. এম হেমন্তকুমার মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালনচিংবনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা রোটরি ক্লব ইম্ফালনা শীন্দুনা হেলথ চেকঅপ অমসু হোম অদুদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংগীদমক্তা পাঙথোকখি। লিটর ১০০০গী কেপাসিটি ওইবা ৱাটর টেঙ্ক অমা, চেঙ বেগ অনী, হৱাই কেজি ১০ অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং লোয়ননা মৈতাল বেগ অনী অমসুং ব্লাঙ্কেট তরাসু দোনেসন তৌখি হায়রি।

পুয়া মৈ থাবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): পুয়া মৈ থাখিবগী অপূনবা নীংশিং লূপ (পুনামিল) না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ মেরাগী ১৭নি পানবা ইরাই নুমিৎতা লময়ানবা শঙলেন কোনুং মমাঙ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবদা অয়ূক পুং ১০ তাবদা পুয়া মৈ থাখিবগী চহী ২৮৬শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

পুনামিলগী কনভেনর কে ঐচ দারানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি মালেমদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী মপা মপূনা থম্লম্বা অরুবা রেকোর্দ কয়াবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মমাঙদা চাউথোক্লা হিংবা ঙমজরি। খা নোংপোক এসিয়াদা চহী চা কয়া মনীংতম্বা লৈবাক ওইরকখিবা অদুঙৈগী ইরমদম কংলৈপাক ঙসিগী মণিপুর অসি মনাৎ অমসুং লাইনীং লাইশোন লৈজরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি মপান লমদগী শিৎচিল্লকখিবা নোংলৈ অমনা খুন্নাইগী ফজরবা মচাক মরল কয়া মাঙ তাকহনখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মনুংদা নিংথৌ পামহৈবনা পানবা হৌখিবা কুমজা ১৭০৯গী ওগষ্ট ২৮ থৱান থাগী ২৩নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী মতুংদগী হৌরগা কুমজা ১৭৮৪গী মে ৮ ফাওবা চহী ৩২গা থা ৭ নুমিৎ ১০নি অসিগী মনুংদা ইরমদম অসিগী ইনাৎকী শক্তমদা চাউনা অকায়বা থোকখি। ময়াং লম্বোইবা শান্তিদাস গোসাইনা নিংথৌ পামহৈবদা মীতৈ ময়েক্লা ইবা লাইরিকশিংসি মীগী লাইরিক নত্তে, লাইগী লাইরিকনি, য়াম্না অরুবনি হায়দুনা মৈ থাদোক্লো হায়বা থৌইনশিন অমগা লোয়ননা অফংবা লাইরিকমখৈ পূনশিন্দুনা কংলা উত্রা মমাঙদা কুমজা ১৭৩২গী ওক্টোবর ৫ নোংমাইজিং নুমিৎতা মৈ থাদোকপীখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা অকোম লূপ কংলৈপাক্লা লিশাংশিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লম্বা অদু পুয়া মৈ থাখিবগী অপূনবা নীংশিং লূপনা চহীগী ওইনা ওক্টোবর ২৬তা মপূং ওইবা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি।

নুমিৎ অসি য়েলহৌমী ঐখোয়গী লৈখা তাখিবা নুমিৎনি। মরম অদুনা নুমিৎ অসিদা মখল অমত্তগী হরাউ কুম্মৈ, ফিল্ম, শুমাং কুম্মৈ, দ্রামা, ঈশৈ নোংমাইনচিংবা তৌবীদনবা খঙহঞ্জরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট লেভেল ওপন স্লোগান কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস): ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুর, মণিপুর ফার্ম ইন্টরপ্রাইজেস লিমিটেদকী তেংবাঙ মখাদা ষ্টেট লেভেল ওপন স্লোগান কম্পিটিসন ২০১৮ পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সনগী সেক্রেটরি রাকেস নাওরেম্না থোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী লৌবুকশিং চহী চূপ্না শংহল্লসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা নহা অহল খায়দনা লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্লা শরুক য়াবা য়াগনি। মণিপুরগী লৌবুকশিং লৌরোক পন্থা লোইখিবগা ইহাং হাংনা লৈখিবা লৌফমশিং অশং অমাংতনা থলহল্লসি হায়বগী ৱাখল্লোন শন্দোকপদা মতেং ওইগদবা স্লোগানশিংদগী খ্বাইদগী ফজবা অমদি অতেনবা স্লোগান অমা খনগৎতুনা প্রাইজ ওইনা লুপা লিশীং ৫ অমদি সাইটেসন পীদুনা ইকায়খুম্নগনি।

পার্টিসিপেন্ট খুদিংমকসু সাইটেসন পীদুনা ইকায়খুম্নগদবা কম্পিটিসন অসিগীদমক থেংলবদা থা অসিগী ৬ ফাওবগী মনুংদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক মচিন্দা লৈবা ঈপাক ওফসেট প্রেসতা স্লোগানশিং থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি। কম্পিটিসন অসিগী প্রাইজ থা অসিগী ৭তা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): এ এ ৱাই, উজ্বালা স্কিমগী মখাদা থৌনাওজম বসন্তকুমার রিটয়র্দ আই পি এস, বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্টনা বিনিফিসরি ১৫দা লেম্না গ্যাস কনেক্সনশিং পীখ্রে হায়রি।

মঙাশুবা ফেজকী ওইনা উজ্বালা স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা গ্যাস কনেক্সন ১৬০ উৎলৌ, নাওরেম, কবো ৱাকচীং, নম্বোল সাবল লৈকায়, পুখ্রম্বম, থৌনাওজম অমসুং লৌরেম্বমদা খোরি ফাবা এল পি জি সার্ভিসনা পীখ্রে হায়না এজেন্সি অসিগী মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঐগী ৱারেং খরা ফোঙখ্রে

ককচীং, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): মচা চনু ককচীংনা শীন্দুনা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা ইবা ৱারেং লাইরিক *ঐগী ৱারেং খরা* অহানবা শরুক ফোঙবগী থৌরম অমা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং ফৌশুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচীংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মাইবম নবকিশ্বর সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি, নাওরেম গন্ধার রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল অমসুং নাওরেম সুমতি ভাইস প্রসিদেন্ট মচা চনু ককচীং অহুম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। ৱারেং লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারেং ৩৩ য়াওরি অমসুং লমায় ১৬৭ পাল্লি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেংশিং অসি তোঙান তোঙানবা মেগাজিনশিং অমসুং পাউচেশিংদা ফোঙখ্রবশিংনি অমসুং অমুক হঞ্জিন্না খোমজিন্দুনা ফোঙবনি।

লাইরিক অদুগী মরমদা ডা. ৱাহেংবম কুমারি চনু এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর লিলোং হাওরৈবি কোলেজনা ৱা ঙাঙখি।

নীংশিংবা য়াবদি ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা শৈরেং, ৱারেং, ৱারী মচা, পুৱারী, হিষ্ট্রি, নৈনরোলগী লাইরিক পূন্না ইংলিস অমদি মণিপুরী লোলদা ১৫ ফোঙখ্রে। হৌজিক হৌজিক্লা পাউচে অসিগী আর্টিকল কয়াসু ইরি।

গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): থৌবাল কোলেজ থৌবালনা ঙসি গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা গান্ধীনা পামজরম্বা নই তল্লিম (বেসিক এদ্যুকেসন ফোর ওল) গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ও চাউবা অমদি কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী হেদ সী ঐচ লোখোন য়াওনা কোলেজ অসিগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ডা. এস লুখোই, ডা. এস ধমেন অমদি এস ইবোয়াইমনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা গান্ধীজিনা পামজরম্বা এদ্যুকেসন সিষ্টেম নই তল্লিমগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কৌনানা বেগ অমদি ফক শাবা অমসুং করম্না অরাইবা মওংদা হৈক্রুগী পিকলস শেমগনি হায়বদুসু দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি। মমাঙ থাগী ১৫দগী ঙসি ফাওবা কোলেজ অসিদা চত্থরকখিবা স্বাস হি সেবা কেম্প্যেনদা এন সী সীগী কেদেট ৪, মহৈরোয় ৪ অমদি ইন্টর দিপার্টমেন্টেল ক্লিনেস কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তারবা সাইন্স অমদি আর্টস দিপার্টমেন্টকী মীওই ৩/৩দসু মনা য়েন্থোকখি হায়রি।

বাইনিএল কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া প্রাইমারি টিচরস ফেদরেসন্না শীন্দুনা নেসনল লেভেলগী প্রাইমারি ওজাশিংগী চহী ২/২ খুদিংগী পাঙথোকপা ২৮শুবা বাইনিএল কনফরেন্স বিহারগী বোধগয়াদা লাক্লিবা নবেম্বর ২৪ অমসুং ২৫দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর কয়াসু শরুক য়াগদবা অসিগুম্বা কনফরেন্স অসিদা ওল মণিপুর ইলিমেন্টেরি স্কুল টিচরস এসোসিএসনগী ওজা ২০০ হেনবনা শরুক য়ারুগনি হায়রি। বাইনিএল কনফরেন্স অসিগা মরী লৈননা জোনেল দিভিজন, ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিএস-নগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টশিংনা মাগী মাগী জোন্দা শরুক য়ারুগদবা ওজাশিংগী মমিং থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎপীরকউ হায়না ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ শান্তকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম অকোম লূপ কংলৈপাক্লা পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা কুমসি চহীগীসু থা অসিগী ২৪দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কিয়াম্বা শঙলেন্দা তোঙান তোঙানবা মৈহৌরোলদগী লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী এসিষ্টেন্ট আই পি আর সেক্রেটরি টি ঐচ বালেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অসি মপূং ফানবা মীয়াম্না তেংবাঙবীয়ু। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা কাঙলূপ অমত্তনা বন্দ/ব্লোকেদনচিংবা তৌবীদনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

মৈ চাং নাইনা থাবীরকউ : বি ৱাই সী ৱাই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব য়াইরিপোক (বি ৱাই সী ৱাই) না মফম অদুগী অকোয়বদা প্রিপেদ সিষ্টেম চৎনরগসু ইলেক্ট্রিক চাং নাইনা থাবিরক্তবগী মীয়াম্না পেন্নদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদাম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক মরক য়াইরিপোক সার্কলদা য়াম্না তোয়না মৈ চাং নাইনা থারক্তবা অদুগীসু মথক্তা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী পুং ৬তগী ৭.৩০ অমদি ৮ ফাওবা মৈ থারক্তবগী মরম অথুবা মতমদা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মৈ লাক্লগসু, লাক্ত্রগসু নোংমগী রেন্টেল চার্জতি শোয়দনা কক্লিবনিনা এম এস পি দি সী এলনা প্রিপেদ কঞ্জ্যুমরশিংবু নমথাক তৌবীরব্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

‘ৱারী শানবা হৌখিববু তরাম্না ওক্লি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (অমক্তা) গী ইমর্জেন্সি মিটিং অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিদা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে।

অমক্তাগী জোইন্ট সেক্রেটরি পল্লিসিটি ডা. এম ইমোচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ইমার্জেন্সি মীফম অদুনা ঙরাং মুটা, মুসা অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরক্তা পাঙথোকখিবা মিটিং অদুবু তরাম্না ওকখি। মসি পোজিটিভ ওইবা খোঙথাংনি হায়না লৌই। লোয়ননা মতুং তাবদা ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা একাদেমিক এটমোসফ্যের পুরক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মায়কৈ খুদিংমক্লা মণিপুরগী হায়র এদ্যুকেসন অমসুং মহৈরোয়শিংগী করিয়রগীদমক্তা খন্থবীদুনা ইস্যুগী মপূং ফাবা সোল্যুসন পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। গভর্ণমেন্টনসু এম য়ুগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা খুদিংমকপু অথুবা মতমদা থাদোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস): কষ্টরুভা গান্ধী ইন্সটিট্যুট ফোর দিভলপমেন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মহাত্ম গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম কে জি আই দি মণিপুর কমপ্লেক্স চঙাঙ্গৈ উচেকোন ইম্ফাল ৱেষ্টতা পিছ গোং মণিপুর চেপ্টরগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কে জি আই দি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন ইনাওচানা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি। মৈরা চুখৎলবা মতুংদা গান্ধীজিগী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লবা মতুং ভজন শক্তুনা মহাক্কী ফিদম্নীংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন কয়াবু নীংশিংমীন্নবা অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু অফবা মায়ওন্দা পুনবগী থৌদাং খন্নবনা থৌরম অদুগী মপূং ওইবা শক্তম ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা নন ভাইওলেন্স কম্যুনিকেসন ফোর চিলদ্রেন হায়বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। হায়রিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা নন ভাইওলেন্স কম্যুনিকেসন ফুদ প্রিন্ট হায়বা হীরম অসিদা ডা. ও সরিতানা ৱা ঙাঙখি অদুগা রোল, প্লে থ্রু নন ভাইওলেন্স ফোর পিছ প্রোসেস হায়বা অসিদা আর কে জয়সঙ্করনা প্লে ৱে মেথদতা অঙাংশিংবু তাকপী তন্বীখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কোলেজকী মহৈরোয় ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী অরোইবদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিং অদুগী হৈথোই শিংথোইবা য়েংবা ওইনা ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। গান্ধীজিনা ইরম্বা লাইরিক কয়াসু য়েন্থোকখি হায়রি।

জিরিবামদা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) : দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন উচাথোল জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা জিরিবাম মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি অয়ূক ৬৩শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসন ২০১৮গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা স্পোট পেন্টিং, ক্যুইজ অমদি দিবেটিং কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। পেন্টিং কম্পিটিসন অসিদা ক্লাস ফাইভতগী আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইনা এ বাইওদাইভরসিটি পার্ক ইন জিরিবাম অমদি এন ওর্কিদেরিয়ম ইন জিরিবাম হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা জিরিবামগী আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়াগী মহৈরোয় কে অজয়, স্কুল অসিমক্কী মহৈরোয় এ প্রেমানন্দা অমসুং লিটুল এঞ্জেল ইংলিস স্কুলগী কে এস ঐচ গুংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস নাইন অমদি টেনগী ক্যুইজ কম্পিটিসন্দা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া জিরিবাম, জিরি পব্লিক স্কুল অমদি জিরিবাম মোদেল স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি অমদি আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া জিরিবাম, জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং জিরি পব্লিক স্কুলনা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থার্দ পোজিসন তাখি।

দিবেটিং কম্পিটিসন্দা ক্লাস এলেভেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা দি গ্রেদেসন ওফ ৱাইল্ড লাইফ ইন মণিপুর ইজ দ্যু টু নেগ্লিজেন্স ওফ গভর্ণমেন্ট হায়বা টোপিক অসিগী মতাংদা পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অদুদা সেনিয়র এদভোকেট কে বি রোইনা কোওর্দিনেটর অদুগা ডা. এম এস জমাল এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর জিরি কোলেজ অমদি এল কামিনিকান্ত এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর জিরি কোলেজনা জজ ওইখি।

দিবেটিং কম্পিটিসন অদুদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় দেনিএল তোংব্রম, স্কুল অসিমক্কী মহৈরোয় কাজিয়া কামৈ অমসুং স্কুল অসিমক্কী মহৈরোয় এম তোমৈ মীতৈনা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থার্দ পোজিসন তাখি।

জিমেট জিরিবাম্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

জিরিবাম, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস) : জননেতা ইরাবত মেমোরিএল ত্রষ্ট (জিমেট) জিরিবাম মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম নোয়োন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা মণিপুর ষ্টেট অসিগী নোংচুপ থংবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অমা ওইরিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী থৌরম অসি চহী খুদিংগী জিমেট জিরিবাম্না শীন্দুনা লাক্লিবা অসিদা তেংবাঙবীরকখিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক্কী ঈরাং অমদি করিগুম্বা খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা মতম খরা পাঙথোক্লু দ্রবগী মতুংদা মীয়াম্না লময়ানবা অসিগী থৌরম পাঙথোক্লবা হায়দুনা কন্না হোৎনবা মতমদা জিরিবামগীসু মচা অমা ওইরিবা বি জে পি মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা কে সরতনা পাঙ্গল অমদি শেলগী অঙম্বা মতেং পাংদুনা জিরিবামগী ইরাবত থৌরম মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমখি। মসিগীদমক জিমেটনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মতেং পাংবীবদা নত্তনা শেলগী অঙম্বা তেংবাঙসু পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি অমদি জিরিবামগী অধক্ষ কে ঐচ জানকি, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এস শান্তি, জিরিবামগী দি সী অমসুং এস পি জিরিবাম্না মতেং পাংবীরকপগীসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অসিদা মতেং পাংবিখিবা মীয়াম অমদি ওফিসলশিং লোয়ননা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনবু জিমেটকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইরাবত দে মার্চ পাষ্ট চাংদম্নবগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএন এস): ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১২২শুবা ষ্টেট লেভেল ইরাবত দে মার্চ পাষ্ট চাংদম্নবগী মনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা য়েন্থোকখ্রে।

কন্টিনজেন্ট ৫৩গী চাংদম্নবা অদুদা জুনিয়রদা মহৈশঙগী ওইনা চাংদম্নবদা রোয়ল এদ্যুকেসন সেন্তর খাপোৎশংবম্না অহানবা, স্কুল অসিমক্কী নুপাগী কাঙবুনা অনীশুবা অমসুং ইম্ফাল পব্লিক স্কুলনা অহুমশুবা তাখ্রে। সেনিয়রগী চাংদম্নবদা পেমতোন দেবী স্কুল নিংথৌখোংনা অহানবা, গ্রেস একাদেমি হৈরোক্লা অনীশুবা অদুগা রোয়ল এদ্যুকেসন সেন্তরনা অহুমশুবা তাখ্রে।

মহৈরোয়শিংগী অথোই অহেন তান্নবদা নহারোল ক্রুপতা এ আই এস এফ ৱাংজিংনা অহানবা, এ আই এস এফ লমলাইনা অনীশুবা, হৈতুপপোকপী য়ুথ ওর্গেনাইজেসন্না অহুমশুবা তাখ্রে। নুপীগী কাঙলূপ্তা ওল মণিপুর নুপী মরুপ টোপ অৱাংনা অহানবা, ৱিমেন্স সোসাইটি হৈরোক্লা অনীশুবা অমসুং ওল মণিপুর নুপী মরুপ সেকমাইনা অহুমশুবা তাখ্রে।

কলচরেল ক্রুপশিংগী চাংদম্নবদা ওল মণিপুর নুপী মরুপ তেন্থানা অহানবা, ওল মণিপুর নুপী মরুপ খুরাইনা অনীশুবা, পারি ইমোম শিন্দমশঙ অমসুং সীসদো ক্লব হৈরোক্লা অহুমশুবা তাখ্রে। বেন পার্টিগী চাংদম্নবদা মণিপুর ইষ্টর্ন বেন্না অহানবা, ইষ্টর্ন ম্যাজিক হৈরোক্লা অনীশুবা অমসুং নুপী মরুপ হৈক্রুজমগী বেন্না অহুমশুবা তাখ্রে।

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI &
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE FOR SESSION 2018
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
CLASS - X (BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
SUBJECT:
MATHS, ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE & HIGHER MATHS
CLASSES STARTING FROM
5TH NOVEMBER, 2018
HL-B/4885/27/9-23/10

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ENGLISH COURSE FOR X & XII
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3623/6/9-6/10